ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯖꯨꯟ ꯰꯷, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯷꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুন ০৭, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৭২শুবা মশীং

# ফ্রেন্দস ওফ দি হিল পীপলস

## ঙাকপি-শেনবীগদবনা হিংচাবা ওইরক্লব্রা?

ষ্টেটসিগী পব্লিক ওর্দর ঙাক্লবগীদমক অদুগা লো এন্দ ওর্দর মেন্টেন তৌবগী মথক্তা অন-লোফুল অন্দরগ্রাউন্দ এক্টিভিটিশিং লাকশিন্নবগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌখৎপা হায়বসিদি মশানা তাবনি। মরমদি মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ৱাফমসিদি ষ্টেট সবজেক্টনি। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী সর্বোদিনেট নৎত্রগা রিপ্রজেন্টেটিভ ওফিসলশিং থারক্লগা মেন্ট্যেন তৌহল্লবা য়াবা নত্তে। ষ্টেটকী লৈজরিবা ফোর্সশিংনা হায়রিবা থবকশিং অসি পাঙথোকপদা কোন্নদ্রে, ঙমদ্রে হায়বদগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস (এম ঐচ এ) দা হায়জরুবগী মতুংইন্না মিনিষ্ট্রি অসিনা অয়াবা পীরক্তুনা মণিপুরদা আর্মি অমদি বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ), সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) অমদি অসাম রাইফলস (এ আর) নচিংবশিং রিক্যুইজিসন তৌরকপদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মথৌ তাই খনবা মফমশিংদা দিপ্লোই তৌদুনা শীজিন্নরক্লিবনি। ষ্টেটসিগী লো এন্দ ওর্দর মেন্টিনেন্স অমসুং কাউন্টর ইন্সজেন্সি ওপরেসন্স (সী আই - ওপস) শিংদা ষ্টেট ফোর্সপু মতেং পাংহল্লিবনি। মসিগীদমক আর্মিগী মণিপুর সেক্টরগী জেনরেল ওফিসর কম্মান্দিং (জি ও সী) অমসুং অসাম রাইফলসকী ইন্সপেক্টর জেনরেল (সাউথ), মণিপুরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) য়াওনা 'য়ুনিফাইদ কম্মান্দ' হায়বা অমা ফাওবা থমদুনা মসিনা ষ্টেটকী এন্টায়র ফোর্সশিংবু কম্মান্দ এন্দ কন্ট্রোল তৌদুনা লাক্লিবনি। থবকশিং অসি বোর্দর ষ্টেট অমসু ওইরিবা মণিপুরগী ওইনা পাঙথোক্তবা য়াদবদগী পাঙথোরক্লিবনি, লৌখৎলক্লিবা থৌরাং থৌশিলনি। অসুম্মাইনা দিপ্লোই তৌরক্লিবা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্স (সী পি এম এফ) শিং অসিগী মনুংদা ভাইটেল রোল লৌরক্লিবনা অসাম রাইফলসশিং অসিনি। মখোয়সি মণিপুরগী ভেল্লি দিষ্ট্রিক্টশিংদগীদি হিল দিষ্ট্রিক্টশিংদনা অমুক্কসু হেন্না দিপ্লোই তৌরিবনি। মণিপুরগা অতোপ্পা ষ্টেট অমসুং লৈবাকশিংগা তাইনরিবা ষ্ট্রেটেজিক বোর্দর পোইন্টশিংদসু মখোয়বু শীজিন্নরিবনি। অসাম রাইফলসপু চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদনা হেন্না শীজিন্নরকপদগী মখোয় মশাগী মায়কৈদগী ফাওবা মখোয়সি 'ফ্রেন্দস ওফ দি হিল পীপলস' হায়দুনা ফাউবা হায়জরক্লিবনি। মখোয়দা শিন্নরিবা লো এন্দ ওর্দর মেন্টিনেন্স অমসুং সী আই ওপসকী থবকশিংদগী ফাওবা হেন্দোরক্তুনা মখোয়-মখোয়না লৈরিবা চীংগী খুলশিং অদুগী মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংসু পায়খৎলক্লি। সিভিল পুলিসশিং ফাওবা য়াওহল্লগা মখোয়গা খুঞ্জাশিংগগী মরক্তা 'ভিলেজ লেভেল মীটিং' নচিংবা ফাওবা পাঙথোক্তুনা চীংগী মীয়ামগা অমত্তা ওইনা চৎমিন্ননবা হোৎনৈ। মখোয় মশানা মশাবু চীংগী মীয়ামগী মরুপনি তোয়না হায়জরিবনি।

অদুবু জুন ৪, ২০২১দা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা আই টি রোদতা লৈরিবা চলৱা খুলদা থোকখ্রিবা থৌদোক্তুদি করিনো? ফ্রেন্দস ওফ দি হিল পীপলস হায়জদুনা চীংমীশিংগী মরুপনি হায়জরিবা চীংগী মীয়াম্বু ঙাকপি শেনবীগদৌরিবা মখোয়না হিংচাবগী শক্তম লৌরকপগী মথক্তা মরুপ্পা মরুপ হাৎলি হায়বদুগী থৌদৌ চথুরক্লিব্রা? মীওই অমবু উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শানরবা মতুংদা নোংমৈনা হেক্তা কাপশিনবগী থৌওংসি লৈবাকসিগী সোভরেন্টি ঙাক্লিবা, ইন্টরনেল সিক্যুরিটিদা শরুক য়ারিবা, থৌদাং চাওরিবা ওফিসর অমনা চৎফম থোকপা লিচৎলা? থৌদোকসিবুদি মণিপুরগী ওইনবুদি অনৌবা নত্তে। ওক্রম ইবোবীনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা শুপ্নতগী গ্রেটর ইম্ফালগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৭ খক্তদগী লৌথোকখিবগী ৱানি। ঙসিদগীনা চহী ৪০ রোমগী মমাঙ অদুঙৈ কুমজা ১৯৮০দগী মণিপুর পূন্বা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটসকী মখাদা নমশিল্লগা আমর্দ ফোর্সেস স্পেসল পৱরস এক্ট, ১৯৫৮ (অফস্পা) চৎনহন্দুনা লাক্লিবনি। ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭তগী মীখা পোল্লক্ত্রবা লৈবাকসিনা মনিং তমজরকপা চহী ৭৫ শুজিল্লক্তোরবা শাংলবা মতম অসিগী মনুংদা মণিপুরগী মীয়ামদি মসিদগী তঙ্খাই হেন্না ব্লেক-লো অসিনা কুপশিন্দুনা থন্বীরক্লিবনি। অদুনা মণিপুরগী ওইনবুদি থোইদোক্ত্রে, অনৌবসু নৎত্রে। অদুবু অনৌবা ওইনা থোক্ত্রে হায়দুনা মরাল লৈরে হায়রগসু মী অমবু নোংমৈনা হেক্তা কাপ্তুনা শিহনবদি চুমদে। চলৱা হায়রিবা মফমদুদা চীংগী লালহৌলূপ অমগী নৌনা হাপ্লকপা ফাইনান্স সেক্রেটরি অমগী মায়কৈদগী মীয়ামদগী নমদুনা শেনখাই থুমখাইগী থবক চথুরক্লে। লন্বীদা চৎপা গাড়ীশিংদগী শেল লৌরে হায়বগী রিপোর্টপুদি লৈ। অদুবু মদুগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনরুবদুবুদি ফৈ, থাগৎপীফম থোকই। মশাগী মথৌ পাঙথোকচবনি। অদুবু মরাল লৈবা, ক্রাইম কম্মিট তৌরিবা ক্রিমিনেলশিংদুগী মথক্তা চথুরকপা থবকনি হায়দুনা নোংমৈনা হেক্তা কাপশিনবদি চুমদে। লৈখিদ্রবা মাংবোইলাল অদুনা আউট লো অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন অমগী মীওই ওইরম্লবা ফাওবদা মহাকপু থেংনবা মফমদা খূৎ থাবদি অসাম রাইফলসকী হান্নদগী হৈনরকপশিং অদুনি শোয়দনা হায়রক্কনি। মরাল লৈরে খঙলবদি ফাগদবনি। ফাননবা হোৎনরকপদা নাকল অনীগী মরক্তা অওক-ওকথোম তৌদুনা খূৎ-থোক্লরকপনা অমনি। অদুবু মরাল লৈরে হায়বা খঙলবসু ফারগা মহাক্কী মথক্তা প্রোজিক্যুট তৌবা ঙম্লিবা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নবগী মহুত্তা হেক্তা খূৎ থাজিনবদি মল্লবা চৎনবীনি। হৌজিক্তি তৌরুবনু। সুপ্রিম কোর্ট য়ৌনরক্তুনা শলাক শানরিবনি। চেন্নরুবা পর্সনেলশিংগী মথক্তা উকাই তকথরকপদগী খোইরেল মসা পান্নদুনা হারোই-হারোই চেন্নরিবনি। মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অমুক হন্না থোকহল্লক্কনু। হৌজিক ষ্টেটসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লবদা পদ্রাক তারি। তাঞ্জাসিদা অনৌবা মীকপ-মীরাওখোল অম'মুক হাপচিল্লক্কনু। ফ্রেন্দস ওফ দি হিল পীপল হায়রগা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপশিনবসিদি চিন্দা রাম শোল্লগা পুক্তা থাঙ য়েপ্পগী থৌদৌনি। মতুংদা থোকহল্লক্কনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯

১) "খোঙকাপ চৎফম উদবনা শমুখোঙকাপ থাংবদি লফুৎ ফমজিংলাংনা মিথুনৈএ।" ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) "মৈতৈ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন" (খৃ: ১৯৩০) হায়বসি মতুংদা করি হায়না খঙনখিবগে?

৩) ফুঙ্গা ৱারীগী লাইরিক "ইবেনবোক্কী ৱারী" (১৯৫৯) হায়বসি কনানা ইবনো?

৪) "ঐগী রাধে রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নশা ৱানবনি নোম্মুনু/নখূৎ মোৎনবনি শূরুনু/ঐনা হায়বা তাও রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নপাঙ্গল কেম্নবদি শূরুনু রাধে।" মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবিদু কনানো? করি শৈরেং (মমিং) নো?

৫) জর্মনগী ফাওরবা অইবা হেরমন হেস: গী "সিদ্ধার্থ" হায়বা লাইরিক্তু মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# ফৌদি অমসুং লৌহোনফমগী হীদাক

ডো. এম থোইথোই সিংহ

পোথোক ৱাংনা ফংনবা অফবা, মশক মুন্না খঙলবা ফৌ মখলদমক থাগনি। কদায়দগী করম্বা লোইশঙনা করম্বা মতমদা পুথোকখিবনো হায়বদু মুন্না খঙনরবা ফৌদমক থাগনি। মরক ময়াদা মমিং পংথোন থোনজিনবা ফৌ থাদবা ফৈ। মশক, মমিং লান্না লৈবা ফৌ থারুবদা হার কয়া য়াম্না হাপকনি, করম্বা মতমদা করি হার হাপকনি, করি নুমিত্তা লোক্কনি হায়না পাথোকপা ঙমদে। অথেংবা মতমদা তাবা উতোংগীদমক হীদাক কাপকদ্রা কাপলোইদ্রা হায়না পাথোক্লবগীদমক ফৌদু করি নুমিত্তা মমি তম্বা নুমিৎ ওইগদগে পাথোকপা চংই। ফৌ মখলদু থাবদগী লোকপা ফাওবদা চপ চানা নুমিৎ কয়া চঙবগে হায়বদু খঙবা চঙই।







অদুমকপু লমদমসিদা মমাঙঙৈ মতমদগী লৈজরক্লবা পূম্নমক্না শকখঙলবা ফৌ মখলশিং য়োকখৎপা অমসুং কলচরগা শাগোন্নদুনা লৈজরক্লবা চাকহাও ফৌ মখলশিং মুৎখিদনবা হোৎনবা হায়বসিনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি।

থাননবা ফৌদিদা ফৌয়ান য়াওদবা অপাম্বা ফৌদু থারমদাইদা হীদাক তোৎহৌগনি। মসিনা ফৌদিদা চেন্নরকপা লায়নাদা নত্তনা ফৌ মরা তাফমদুমক্তদা লৈরম্বা লায়না থোকহনবা ঙম্বা কোকফাইনচিংবা কয়াদগীসু ঙাকথোকহল্লি।

**ফৌদিদা হীদাক তোৎপা :-**

ফৌদিদা হীদাক তোৎপগী মওংসি মখল কয়া থোক্লা পাঙথোকপা য়াই। মতমগী মতুংইন্না অহোংবা কয়া লাকই। মমাঙঙৈদা তৌনরম্বা কয়া তৌনদ্রে। মতম চংবা, শেল চংবা কয়া খূৎলোইরোইদবা মওংদা হীদাক তোৎপসি পান্নদে। মরম অসিনা ফৌদিদা হীদাক তোৎপা মীওইগী মশীং নেম্মী, চাদা মঙা ফারোই।

তীল অমসুং বেক্টরিয়াগী লায়না ফৌদিদা চেন্নরক্তে, চেন্নরকপা খজিকখক্তুগীদি য়াম্না লুনা লৌনীংঙাই ওইদে। মথৌ তাবা হীদাক খরখক অরায়বা মওংদা তোৎকনি। মসিগীদমক COMBI SOL শীজিন্নবা য়াই। হুনগদৌরিবা ফৌদিদু বোরাদা হাপ্লগা কোমগোম পুনগনি। ঈশিংদা তিংলগা ওম্নবা পুখৎলকপা ফৌদিদু ঙাইহাক মচুম তাহনখ্রবা মতুংদা প্লাষ্টিক সিট অমা শন্দোক্লগা ফৌ ফৌবগুম শন্দোক্কনি। হীদাক্তু অপাবা ফি অমদা হাপ্লগা ফৌশিংগী মথক্তা পোপ-পোপ থাদুনা হীদাক মফোলদু চাং মান্ননা চাইথোক্লবা হোৎনগনি। নৎত্রগসু ইশাগী হৈজবা মওংদা চাং চানা য়ানশিন্নবা হোৎনগনি। মতুংদা হান্নগী বোরাদা হানজিল্লগা ওমগনি। COMBI SOL সিষ্টেম্মীক ওইবা হীদাক্লা ফৌ মকুগী অহোবসি ফাওনা চঙখ্রগা ফৌগী মনুংদা লৈরম্বা কোকফাইশিং (internally seed borne) হাৎখ্রবনি। অদুগা ঈশিংদা তুমদবা থাওগী শরুক্তদা তুম্বা কন্টেক ওইবা হীদাক্কী শরুক্লা ফৌগী (ফৌদি) গী মপান্দা নপ্তুনা লৈগনি। মপান্দা চেন্নরকপা কোকফাইশিং হাৎকনি। মসিদা নত্তনা লৌপাক্তা তাখ্রবা মতুংদসু থেংনরুবা কোকফাইশিং হাৎপা ঙমহল্লি।

ওম্নবগী হীদাক তোৎলবা ফৌদিশিংদু হান্নগী বোরাদুদা হাপচিনবা মতমদা ফৌদিদুদা লৈগদবা ঈশিংগী অৱাৎ অপা য়েংগনি। অৱাৎপা ঈশিংগী চাং চুম্নবা খরা চাইশিনবা য়াই।

**লৌহোন্দা কোকফাই হীদাক শীজিন্নবা :-**

হীদাক তোৎহৌদবদগী ফৌদিদা লায়নাশিং লৌহোন ওইনা লৈরিঙৈদা লায়নাদু উথোরকই। লৌহোন ওইনা লৈরিঙৈদা তাশিনখিবা লায়নাশিং লৌপাক য়ৌবগা পাক শন্না শন্দোরকই। পান্বীনা নৌরিঙৈদদি ব্রাউন স্পোট অমসুং ব্লাষ্টনা খরা হেন্না তাগল্লি। মরম অসিনা লিংথোক্কদবা চয়োল অমতা ঙাইরবা লৌহোন্দা COMBI SOL গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি নৎত্রগা Tricyclazole 75% WP গ্রাম ১০ ওইনা শীজিন্নবসু য়াই। ফৌ পান্বী মশাদা কাপ্লিবা হীদাক্তু চুপশিনখ্রবা মতুং লৌপাক্তা লিংথোক্লবদসু হীদাক্তু য়াওদুনা লৈ। মতম খরদি ব্লাষ্টকী হীদাক কাপ্তবা য়াই।

ফৌ পাম্বীনা লৌহোন ওইনা লৈরিঙৈদা তোয়না নাগনবা অমসুং পাম্বীদুবু হাৎপা ঙম্বা লায়নাদি সিদলিং লাইটনি। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা নৌরিবা ফৌনাশিং অমসুং মরা পূম্বা ঙাংশিলহল্লি, কংশিল্লকই। ফোইদুনা য়েংলুবদা কোনা মচু চঙলবা মরাশিংদু মপাঙ্গল য়াওদে। মতৎ-মতৎ তৎলি। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক COMBI SOL শীজিন্নগনি।

**লৌহোনগী তিলনাদগী ঙাকথোকপা :-**

লৌহোন্দা চাইশিল্লিবা হীদাক অয়াম্বা ঙা, তিম্ভ্রোক্তা নত্তনা কান্নরবা হিংকুপ কয়াবুসু হাৎলি। নোং খরা ৱাৎপদগী লৌহোনফম অয়াম্বা ঈশিং মনাক-ঙাথোক পুখ্রি মনাক্তা ওইগল্লি। ঙাশিং শোক্তবা হীদাক থিবা তারকই। ফৌ পান্বীনা নৌরিঙৈ মতমদতা নত্তনা থেংলবা মতম ফাওবদা তাগনবা তীলশিংগী মনুংদা হয়িং তীল, মরেক, মনা কোনশিনবী, নুংয়েং পনবা য়াই। হায়রিবা তীলশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা লৌহোন ফোয়গদবা নুমিৎ মঙানি ৱাৎলিঙৈদা মখল কয়াগী হীদাক চাইশিল্লে। লৌফমদুদা লৈজবা, ঐখোয়দা কান্নরবা হিংকুপ অমসুং অচৌবা তীল কয়াবুসু হাত্তোকই। অয়াম্বা লৌমীনা ৱাহিক হায়না খঙনবা হোপ্পরশিংবু ফাদোকপা হঙোই, ঙানচিংবা কয়াসু হাত্তোকই। মসিদা নত্তনা ফৌখোঙদা নপ্তুনা লৈবা থরোইশিংনা তোয়না লেংবদগী ফৌনা অমসুং ফৌখোঙদা নপ্তুনা লৈরিবা তীলকুপ কয়া অমা ঈশিংদা থাদদুনা ঙাশিংনা চাথোকহনবদা মতেং পাংলিবনি। অদুবু শীজিন্নফম থোক্তবা হীদাক কয়ানা থরোইশিংবুসু হাত্তোকখ্রে।

হায়রিবা কান্নরবা জীবশিংসিবু শোকহন্দনবা লৌহোনশিং লিংথোক্কদবা নুমিৎ তরেৎনি ৱাৎলিঙৈদা Ferterra/Virtako কিলোগ্রাম অমা পরি অমদা লিংথোক্কদবা লৌহোন্দা চাইথোকপা য়াই। লায়না নৎত্রগা তীলনাশিংবু লাকশিন্নবা অফংবা হীদাক অমা হেক্তা কাপথোক চাইথোকপগী মতম নৎত্রে। হীদাক শীজিন্নবা তারবসু অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীরোইদবা হীদাক্তমক শীজিন্নবগী মতম ওইরে হায়বা ৱাফমসি থমজনীংই। ●

# ফৌ থাবগী খঙজিন ৱা খরা

- এস সুমঙ্গল -

জুন-জুলাই ফৌ থাবগী শোয়ফদ্রবা মতমনি। ফৌ নিংথিনা লোক্কে হায়রবদি থমজরিবা মখাগী ৱাফম খরা অসি নীংশিংবীয়ু, ফৌ থোকপ্রা য়েংবীয়ু।

**ফৌ ভেরাইটি খনবা :**

চাথোক লৈবা মশক খঙবা, চাথোক লৈবা ফৌ থাবীয়ু। ঐখোয়গী মণিপুরদা লৈবা ভেরাইটি পুথোকফম ওইরিবা দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর, আই সী এ আর মণিপুর সেন্টর নৎত্রগা সী এ য়ু ইরোইশেম্বা অহুম অসিনা পুথোকপা মীয়ামদা থাবা য়ারে হায়না থাদোরক্লবা ফৌ মখলশিংদগী ইশাগী লৌফমগা চানগনি খনবা ফৌ খন্দুনা থাবীয়ু। মীনা পংহায় হায়নবা, মমিং পংথোন থোনজিনবা, মশক মুন্না খঙদবা ফৌ থাবীরুনু, লাইবক থীবা ওইবা য়াই। মণিপুরদা ব্রীদরশিংনা পুথোকপা অফবা ফৌ মখল খরগী মরমদা মখাদা থল্লি।

**আই সী এ আর মণিপুর সেন্টরনা পুথোকপা :**

১) আর সী মনিফৌ - ১২, হান্না আর সী এম -১৩ হায়নরম্বা : ফৌ মখল অসি অঙন ফৌ হায়বদি মতম য়াম্না তেনবা (নুমিৎ ৯০-১০৫) ফৌ মখলনি। মফম চারবদি হৌজিকসু থাবা য়াবা ফৌনি। চাবদসু য়াম্না থোৎনা হাওবা ফৌনি। মতম চানা নিংথিনা হোৎনহৌরবদি শঙমদা কিলো ৬০দগী ফৌপোৎ ১৮-২০ ফাওবা থোকপা ঙমই।

২) আর সী মনিফৌ ৭, হান্না আর সী এম ৯ হায়নরম্বা : ফৌ মখল অসি মীয়াম্না নিফু থোকপী, চরোং ফৌ হায়নরম্বা ফৌ মখলদুনি। নুমিৎ ১৩০-১৩৫ চঙই। য়াম্না ফবা ফৌনি। নিংথিনা হোৎনবা মতমদা শঙমদা ফৌপোৎ ২৫-৩৫ থোকপা ঙমই। চাবদা অদুমক হাওবা ফৌনি।

৩) আর সী মনিফৌ - ১৩, হান্না আর সী এম ৩০ হায়নরম্বা ফৌ মখল অসি খরা নৌরিবা মখোঙ য়াম্না কনবা/লিংবা ময়াই ওইনা ৱাংবা ফৌ মতুম তারপ তৌবা ঈশিং নিংথিনা লৈবা মফমদনা খরা হেন্না পক্লবা ফৌ মখলনি। চাবদা অদুমক হাওবা ফৌনি। নুমিৎ ১৩৫ চঙই।

**সী এ য়ু ইম্ফালনা পুথোকপা :**

১) সী এ য়ু আর - ১, তম্ফাফৌ হায়না খঙনরিবা ফৌ মখল অসি খরা ঙন্না থারগনা নুমিৎ খরা থেংথবা, খরা থেংনা থারগনা খরা ঙনখৎপা ফৌ মখলনি। চরোং নাপল য়াম্না লৈবা, ময়ায় ওইরপ ৱাংবা ফৌ মখলনি। চাওরাক্লা নুমিৎ ১৩০-১৩৫নি চঙই। ফৌ খরা পিকই হায়নৈ অদুবু মেছিন্না য়ৈরবদি প্রোব্লেম লৈত্রে।

**এগ্রি দিপার্টমেন্ট, মণিপুরনা পুথোকপা :**

১) লৈমফৌ, কে দি ২-৬-৩ অসি নুমিৎ ১৩০নি চঙবা য়াম্নমক থোৎনা হাওবা ফৌ মখলনি।

২) সনা ফৌ, মীয়াম্না নারোৎপি হায়না খঙনবা চাথোক লৈবা ফৌ মখলনি। লৈমফৌগা মচিন মনাওনি। লোকপা নৌরিঙৈদা য়াম্না থোৎলি, লিরগা খরা থোৎপা ৱাৎলি। নুমিৎ ১৩৫নি চঙই।

**হায়ব্রিদ :**

১) পি এ সী ৮৭৪৪ য়াম্না ফবা হায়ব্রিদশিংগী মনুংদা খরা থোৎলবা চাথোক নিংথিনা লৈবা ফৌ মখলনি। ময়ায় ওইরপ ৱাংই, নুমিৎ ১৩৫নিদা লোকপা য়াই।

**অফবা ফৌদি খনবা :**

ফনা ফবা ফৌ মখল ওইদুনসু ফৌদিদুনবু ফৎত্রবদি চাথোক হন্থবা শোয়দ্রবনি। মশক খঙবা মফমদগী অশেংবা লায়না তীলনা চঙদবা মরূ চঙ চঙ লাওবা, ফৌহাম চেন্দবা, উফুল



ৱাইফুল চেন্দবা ফৌদি থিসি।

**হার হাপ্পা :**

হার কাঙলোন চুম্না হাপসি। ফৌ হুল্লমদাই নৎত্রগা লিংলমদাইদা বেসেল দোজ হাপ্পা কাউগুমসি। মসি হাপহৌবনা ফৌনা নৌরিঙৈ মতমদা খূৎলৈ থুনা মশা মউ ফনা চাওহৌনবা অমত্তা ঙাইরবা পান্বেনি। শঙম অমদা য়ুরিয়া কিলো ১৫, এস এস পি কিলো ৬০, পোটাশ কিলো ১০ তোঙান তোঙান পুথরবা লৌফমদা নিংথিনা তোৎশিন্নরগা চাং মান্ননা চাইথোক্লবা মতুংদা লৈবাক্তা নিংথিনা খোইজিনহৌসি। লিংলবা মতুং নুমিৎ ২৫-৩০ শুবদা নাপি নিংথিনা পেংথোক্লগা য়ুরিয়া কিলো ১০ অমুক চাইসি। নুমিৎ ৫৫-৬০ শুবদা, অদুগা মতম তেনবা ফৌগীনা নুমিৎ ৪৫শুবদা অরোইবা ওইনা য়ুরিয়া কিলো ৮-১০গা পোটাশ কিলো ৫ পূন্না চাইসি।

**লায়না তীলনা :**

লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা ফৌদিদা হীদাক তোৎপা কাউগনুসি। ফৌ কিলো অমদা কার্বেন্দাজিম ৫০% হায়রিবা হীদাক মফোল অসি গ্রাম ২গী চাংদা তোৎহৌসি। হীদাকসি তোৎপগী মওংদি নোংমা তিংলুরবা ফৌদি মচুম খকহল্লগা প্লাষ্টিক মপাক অমদা শন্দোক্লগা হীদাক মফোল অদু অপাবা ফি অমদা য়োল্লগা চাঙ মান্ননা খিকচিনবীয়ু। অমুক তাশিন অমুক শন্দোক তৌদুনা হীদাকসি চাঙ মান্ননা তোৎপা য়াগনি। অতৈ মতমদা তারকপা লায়না তীলনা অখঙ অহৈ মতম চানা তানদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনসি।

**লোকপা :**

ফৌনা হেনমননা মুন্দ্রিঙৈ ফৌ খাওদুনা লোকসি। ফৌ চরোং অমগী মনুংদা চাদা ৮৫ মুল্লবা অতৈনা শংলিবা অদুগা মেৎপদদি কল্লবা মতমদা ফৌ খাওবা য়ারে। মসিনা ফৌ কেন্দুনা মাঙবদগী কনবা ঙমগনি।

মথক্তা থমজরিবা খরা অসি ঙাক্লা হোৎনরবদি ফৌ নিংথিনা চাথোক লৈনা লোকপা ঙমগনি। ●